পাচা

ইম্ফাল অমসুং মাগী

ঈশীং নুঙশীংকী ফিডম

(১৯৭১)



লোইতোংবম ৺পাচা মীতৈ

নবা নেসনেল সাহিত্য একাদমী মনা ফংখিবা মণিপুরি"

অহানবা নেসনেল সাহিত্য একাদেমী মনা ফংখিবা

পাচা

ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশীং নুংশীংকী ফিভম

(১৯৭১)

"Nonsense, Nonsense ! She Cried to herself...."
—Vergina Woolf "Mrs Dalloway"




দি পাচ পাব্লীকেসন
সেগা লম্বী, খোদাভাবোক লৈকাই
ইম্ফাল—৭৯৫০০১
(১৯৯১)

শংহজবা

লাইরিক অসিগী য়াওরিবা, লাইরিক অসিগী ওইবা মওংগী লাইহৈ-লাতা অমদি শীজিন্নরিবা শক্তমশিংগী মওং মতৌ লৌহনবা করিগুম্বা পাম্বৈনা রেডিও, টি. ভি, তেপ-রেকোর্দীং, কোটোকোপী অমদি এলেক্ত্রোনিক্স অমসুং মেকানিকেলগী পাম্বৈনা লাইরিক অসিবু পুথোকপিদনবা মীয়ামদা নিংশিংজরি। করাগুম্বনা লাইরিক অসিগী মতমদা অঙাইফদবা থৌরম কৈবদগী থোদাং য়াবীনিংবা লৈরগদি লাইরিক অসিগী থৌবু ওইররিবা মচা ইবুংঙোয়াচা মীতৈ, দি পাচ পাব্লীকেসন, সেগা লম্বী, থৌদাভাবোক লৈকাই ইম্ফাল ৭৯৫০০১ দা তানবীনবা অমদুী মরী লৈনবা হীরমদা শীজীন্নবা য়ুম্বগী অয়াবা লৌবনবা শংহজরি।

থৌবু ওইরিবগী অয়াবা য়াওদনা করাগুম্বনা লায়া শিভিল্লবীদনবগী [illegible] শংজরি।



অহানবা ফোংবা—১৯৭২—ইম্ফাল

মশিং—১১০০

অনীগুবা ফোংবা—১৯৭৪—ইম্ফাল

মশিং—১১০০

অহুমগুবা ফোংবা—১৯৯১—ইম্ফাল

মশিং—২২০০

ফোংজবা

[illegible] পাচ পব্লিকেশন, সেগা লম্বী থৌদাভাবোক লৈকাই

ইম্ফাল, ৭৯৫০০১

ইন্দিয়া

মমল

অঙৌবী হক পুন্নুনা লৈরিবা

মচা ইবুংঙোয়াচা মীতৈ

লাইরিক অসি "দি সরস্বতী প্রিন্টিং রার্কস, সেগা লম্বী, থৌদাভাবোক লৈকাই, ইম্ফাল, মণিপুর ৭৯৫০০১" দা নমহনা শেম শারগা পুথোকপা।

ৱাহৈ খরা

লৈখিত্রবা "লোইতোংবম পাচা মীতৈ" ইপা ইবুঙোনা ইবিরৱা লাইরিক অসি অহানবা ওইনা খৃঃ ১৯৭২ দা পাসস পব্লীকেশনগী মখাদা অহুমশুবা ওইনা খৃঃ ১৯৭৪ দা ত্রাইও.বুক স্টোরগী মখাদা অইবনা হিংলিজৈদ্রে ফোংজখি।

হন্দক অহুমশুবা ওইনা ১৯৯১ দা কোংদ্রোকচরিবশিনা ইপা ইবুঙোনা নোঙ্গা য়াকুমগ্রবা মতুংনি। পীকনী নবা ওইবা মপুং ফাব্রীবা ইরাখলশিনা মীয়ামগী খোলাওদা থম্মোয় লাকহুংলকপগী নোঙ্গা য়াকুমগ্রবা ইপা ইবুঙোগীদমক শিংঙমললোইদবা ইপোকশিংগী লমনক্তুগী শরুক খরতং ওইঙমজনবা মীয়ামগী মকমদা হৈকং-লৈকং শক্লা মপু থুযা তানগ্রবগী তুংওইনা থোপাওজরি। খুফোং অসিদা নরাগী থৌনা পাঙ্গল শোঙ্গববু শোবী থিবা মীওই কয়াবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি অমদি শিংঙমললোইদবা ইপোকশিংগী লমন পুজরি। খুফোংসিদা পীদোঙ্গবগী ভেংবাং ওঙ্গ, অওম-অওম্ব, অয়াম-য়াম্মদ-খিদ শেন্থং-শেম্বাংখিরকপা পুকচেল চাওরবা অমদি পুন্সি শকথংলবা লাই-গুম্লবা মীয়োক্ত কয়াশিংবু পীহিক তোইজরীবনা থমোঙ্গ শেংনা তৌবীমল খংব উৎচরি অমদি মীয়াম্বু তাইবং মপুনা চাখীনবা পুন্সি তোলোইবীনবা, হিংলিজৈ কুবিনবা মপুকাদা তোঙ্গবনা থৌনিজরি।

হায়গী মথুমগী মওং অমদী রাখললোল কাইহনদনা নৌনা থুংথাবীহনা মহৌশাগুম মশক কায়হন্দ অমদি অবাংপা থরা মেনখক বীহনা মথুমগী মতেং পাংবীরিবা নীংথোজম ওরাকান্ত সিংহ ঐগী মরূপ অমদি দি সরস্বতী প্রিন্টিং রার্কস, সেগা লম্বী, ইম্ফালগী মেনেজর ইয়াম্বা কেঃ খেলেন্দ্রো সিংহনা লাইরিকসি নম্বগী রনান অমদি :গেং-অপকী ফজনবা হায়হনা কৈদা শোয়খিগদগে খম্না থরাই য়াওবী-খিবগীদমকসু শিংঙমলরোইদবা লমন তোনশিঙ্গরে। পূকচেল চাওরবা অনিসিবুসু মপূনা চানবীনবা নিজরি।

মীয়ামগী
মচা ইবুংঙোমচা মীতৈ

তাং ৮ ওক্টোবর ১৯৯১ ইং:
ইম্ফাল।

হৈকৎনী......তোম্নবগী নৈকৎনী॥

হূমজা-হূমশীং থুংখেক্লদ, ঐকখলবা ইরমশী মখোম তাহৌইদে লেৎরে' অশীনক মাঙম,' 'কম্মাহুরে' খীবৈদ, লেখে নচুনদি পহৌ। হূমজা-হূমশীং মাঙজেবা, কাওরবোইকো পহৌ, উতোন-লোমদা অশীনক নংগী উপাল থনা, ঐতীনকনন থংদ লিপীজবা নংগী ঐয়মদা অম' পিরোনজহৌদি তাইবখা। হূমশীং কমাবী মায়ে, পুন্নীনা মনাখনটৈ অহুম অহুম হোৌবীটৈ, নহাকখং ঐখৌ থৌবাত কম্নিহু পাংখোকচঙমদা অহুম অহুম কপচটৈ, খমোইহুঙ পহৌ শেৎন নৈকাম অহুম অহুম চাকনকপা! মায়ে, পহৌ থৎখৈব কদৌনী মপোম্নী তোমু, কমী হৈকৎচঙমদে, নংবু নীংশীং, কম্নি নৈকৎচঙমদে—মাম্নোমু। তোমে খৎখৈব নৈকৎসি, পাংদে খাঁখৈব হৈকৎসে, অহুবু কৎচনীংবনা অপোকপা (লোইতোংখম মধুমঙ্গল) নখুম্না তম, ঙসী কৎচৈ নহুনা নৈত ঐশী থুমোলশক "ইন্ফাল অমহুং মাগী ঐশীং-তুডশীংকী ফীভম" পহৌ নংগী নকাদা॥

পিরোনজহৌটৈ নহুনা
পাচা

ইন্ফাল
তাং ৩। ৯। ৭১ ইং
৩। ৯। ৭১।

অহানবা শরুক

হোলী প্রেস, অবায় হোলী প্রেস মণিপুর

''হেলো"

ঐগী থোংদা কাক কাক য়ৈরকপন্থ ঐনা তায়। কনানো? মন্থুদি থংদে।

"হেলো প্রোফেসার'' লোইননা কাক-কাক খীল্লকখী অমুক্তহ।

"কনা ওইরম্লো" ঐনা ফম্ন ফম্ন হঙই—"কনা—?"

"ঐনী, করি তৌবীরীবা?"

ঐ থংলে হোটেলগী মেনেজরনী।

''ও" ঐ হৌগংলে 'মেনেজর—?''

"অহোঙ্গ" ঐনা হঙবা লোইজ্রিডৈদা মহাক্ন শকতাক্লনা খুম্নলকই ''মানী—। য়ুমদগী পাও লাকলি।"

"ফগনী" ঐনা পারমলিবা বঙ্গালী লাইরিক্তু চেনা থায়না খুমজল্লগা হৌগৎতুনা থোং হাওদোক্লে অহুগা মাঙোম্মগী চেথাও অহু লৌই।

"থেঙ্ক ইয়ু—" ঐনা ঈকায় খুম্না হায়।

মহাক মখা কুমথথরে।

থোং ভাশল্লী, ঐসু চংলক্লগা হাল্লগুম চৌক্রিন্দা ফমলগা চেখাও অহু হাঙদোকুনা ঐগী মরুপ প্রিয়ালতা সিংহনা ইরক্লিবা পাও'হু পাই

এক

"প্রনাম-দাদা-থানিল"

কয়াদী কুইরে পাও তানথ্রীবা। তৌববুদি সময় সময়গী মতুং ইনবনি, অহুম ওইনমক কোলেজগী ক্যান্তিনদা, কন্দা ঈতৎ তৎতনা রারী শামীননহুনভা লৈজরকপী নচনমুপীবু অশুক কুইবা পাও অমত্ত তাহনবীরক্কবসিদি ঐখোয়গী পরিচয় অমনা অমগী মফমদগী মাংহল্লবোই ‑জরে।

ঐ নোঙমনে (পাও অমহুম হাল্লনা তমজখিগে) নোঙমা, ঈপা অতোনবহুগা শিলচর টাউন্দা ফী লৈবা চংলুই। ফী লৈবা লোইব-হুনা য়ুম হল্লকপদা, খংবীরীগনীদনা পুকনোঈবা ক্ষীরোদ মজুমদারবুদী? মাগী হোটেলদনী-অঙাংহুনা চংসি চংসি হায়না হেক কপকদৌবমখে তকপা। ঐনা থেমলুই 'অতোপ্পদা চংসি ঈবুংঙো, য়াবা লৈতে। মহাক কনো অমদা মুম্ন পাহুনা লৈরে। ঐনা য়েঙলুই করিনো পারিবহু খন্দুনা। 'হোটেলগী সাইন্দবোরদ মথাদা থারমই

"মজুমদার হোটেলর কালিয়া-ইচামাছের
বড়া খাইতে সুস্বাদু
—এখানে থাকা-খাওয়ার সুবন্দোবস্থ আছে"

নত্তে। ঐ, অসি পল্লুরিবসি অতৈগী নত্তে। এদভারটাইজ হাযবসিসু হিঙবদা প্রশ্লোক্ত মতেং চাওনা পাঙবোইবে খল্লকপদগীনী। ঐন', ঈশাগ্রীবী, নত্রবসু মুপীমচা ওইনা পোকলুনা শক শক

শক-থেংনরিঙৈ ঐগী থম্মোঈবু মতীক চানা অদোনগী মফমদা এদভর-দটাইজ তৌজহৌদবত্তুনা ওইবা তাই-অদোম ঐবু কাওথোকপীরিবা।

ফয়ে পংহায় হেক মহায়ঙ্গয়ে রাম্নৌগম্মু।

হায়নৈকো মণিপুরগী, নৈতৌ ঈবেম্মশিঙসে ওস্থোক্ক ফজক্রে। ফজদবরনে? শোমদগা হেক হল্লক্তুরমখে—। খংদে—। মতমত্তুদা পাওত্তুদদী মতাকপীরকনীদনা। নৈত্য—। খুদক্ক-শিলচর থেকে ঈম্ফাল, মুপীমক ওইজরবম্মু। নৈশাবীনী—তোলোপ চাজরি। কনানবু থিঙগদগে।"

মহাক করিগুম্ব খরস্থু খল্লে অত্তুগ মায়থোং অত্তু অনী চেন্দুনা ঐবু নোকহুম্নবা ফাগী মতেক মতেস্থু তৌয়ে। ঐ চুরুপ মচৈ অমা চমখংলী ও থম্মোঈদা নোক্লীংবা পোকলকই। মশক অত্তু থাপ্লবা মফমসিদা শং শং উরকই, কুচু মুদং তৌরত্তুন', য়াতোল পয়েঙত্তু লঙলত্তুন', চৈক্লবা কাসিদা লেপ্লবগুম তৌবকই। নত্তে। ঐগী রাখল্লনী।। মসি-ফাওবদা ঐহাক খংলী।

ঐনা চংলমদাইদম্মু কোলেজগী কানটিন্দ কোফী থকমিল্লবা, অত্তুগা মহাক মতম কূইনা করিগুম্বা খরা খল্লুরগা হঙখী—

"মণিপুর চংপীগনী, সমর-ভেকেশন অসি?"

"অং।"

"ফোর হুরাট পরপজ?" কোফী থক্রে।

"নথীং"

"নো! ইট কেনোটবী" মহাক, লুমায় থোংলবী মমায় মায়-থোংত্তুদ', নান্নবগুম, তৈথোক তৈথোক্ল হায় "অত্তুবু হেক মাবরা-?

কাজ থরদী লৈরমগনি। পরিবার, সমনথি, নত্তরবস্থ এনী ফ্রেন্দস সারকল”

“লৈতে। অদুবু, চুম্মী মরম অমদী লৈ”

“করি?”

“মণিপুর, মৈত্রবাক, ঐ পোকপদগী উবা লৈক্রি।”

“নেভর?”

“য়েস। ঐগী খংনবা কনাস্থ লৈতে। মরী-মতা কনাস্থ লৈতে, ঐগী মরুপ কনাস্থ লৈতে।”

অদুদগীদী মহাক তুমীন লৈখ্রবনি। ঐগী মথং মথং ওইবা পাও-খুম অসিনা মাবু মচীন মেনখিবরা? মহাক, মতম চুপ্লগী, নত্তরবস্থ ক্যানটিন অসিদা ফর্মলিবমখৈ তুমীন্নতা লৈরগদৌরব্রা? রাহং অম-থুস্থ হঙলকলরোইদ্রা? ঐনা, মহাক্কী হোউলকখিবী মতৌঙ উরকঙৈ কোফীগী মনিল কাবা কপ'তু পায়না পায়না থনথী, মতুমক তৌখিবা খোক্লবদি ঐহাক ওস্তোক্ল নীংঙমহৌদবা তারবনী। অদুবু, মহাক্কী ত্তেনখ্রবা রাহৈ অমনা মীকুপ থরহুদা ঐগী অরাবদু কোকহনখীবনী—। মহাক্ল মতম কুইনা তুমীন লৈক্লরগা ঐঙোন্দা ইওন ওনশনলক্লনা হায়নকই।

“হোটেল অমদা থুঙলুগনী? নত্তরা-দো?”

“অং”

“চংশীনীংলীবা অসিনদী লৈবাক অদুগী মরমদা থরমখৈদী তাবীরম্নগনী হায়না, অদুগা থম্মোঈবুস্থ চিঙশনবা ঙমখিবা খৌনা থরম্ল থেঙনখীবন্ধা তারে। ” কোফী চিঙই।

"চুমই।" ঐনা থাঙ্গংজুরবা কোফীদু চীনচুপ্পরমদনা টেবলদা থম্লগা মথা তাখী। "ঐহাক, মৈত্রবাকী মরমদা বারী কয়া তাপ্রে। মৈতৈনী নং ঐস্মু। নত্তরনে?"

"মাগ্নী"

"মৈতৈনা মৈতৈগী অশেংবা লমদমবু যেঙনীংলোইদ্রা?"

"সিযোব"

"অদুনী। ঐখোয়, মৈতৈমক ওইজরবস্মু অদুঙস্মা ঈমা লৈবাক অদুগী অশেংবা ঈশীং, ঈমা লৈবাক অদুগী নীংথীবা শক্তম, থকচা উজবা ফঙদ্রবনী।"

মহাক করিস্মু খুমদে।

"ঐখোয় অসি তোল্লদ্রা" ঐনা মথা তাই "মফমদুদা য়ুম-লিংদুনা লৈবমক ঙমদ্রবস্মু ঐ লমদমদুদা চৎপফাওদী চৎলুগনি।"

"হৱাই? করিগী ঙম্মীরোইদগে" য়েঙবদা খংই। মাগী মায়থোং মকশনবগুম তৌই, অদুবু মথা তারকখি "য়ুমলীংবীবা করিগী ঙম্মী-রোই। হিঙ্গোল অমা লৈবীয়ু, য়ুম অমা শাবীয়ু, হিঙবগীদমক শোয়দনা মতীক চাবা থবক ফঙবীগনি খল্লে।"

"ও-হো" ঐন মরক থৎলী "নত্তে, শেনগী নত্তে, থম্মোঈগী বানী, পীক্লীতৈদগী, পোকপদগী, পুন্সিমিস্মরক্লবা লমদম অসিগী ঈচীন ঈনাও ঈমা ঈপা মরুপ মপাংশিঙসিগী মরক্তগী অমুক তোখায় ভারুগদৌ-

"ঐখোয়বুদী অদুস্মক মুঙশিবীরি—?"

ঐনা পাওখুম পীফম খংদ্রিডৈ মহাক্ত ঐঙোন্দ য়েঙখৎলকখী। ঐস্থ। মীৎযেং মীৎয়েং থেঙনরকডৈ, মহাক, মুপীমচা ওটবী অমগী খোং নৌরবী, কাওঙমদ্রবী শক্তম পুম্নমক শীজীন্নরহনা "কমদৌ-রিবগে রাহংসিবু?" হায়না হঙবগুম ঐবু য়েঙলহনা নোকমিন্নমই। ঐহাকস্থ নোকমিখি। অতুদগীদী ক্যান্টিনগী মেনেজরনা হৌবদা ভায়রিবা অমলেট, কটা চামস কা লোঈননা ঐখোয়নীগী মাংদা অঙাং অমবু থমহল্লে। ঈবান্নী ঈথং খঙনৈ। করিগীদমক হোটেল অঙাংহুদা মা-ঐনা খঙনখ্রিবা? মহাকস্থ-ঐহাকস্থ খংনবিবা ভাক্নী মরম চাদবদা মীওইবনা অস্থম্ন হেক খঙনবদী হৌনদে। থমোঈদা অতুগা থমোঈদা, মরম খরদী লৈনরে।

দুই

রাখন কয়া'ম খনখী নচম্না। রাখন কয়া'ম। ময়ামতুগী মম্থংদা "করিনো খংদ্রে" হায়বসিতনী হুজীক ঐগী লেংদবা রাখন ওইহনা লৈজগৌরিবা। ঐহাক তৌফম খংদে। ঐহাক ঈশাগী ওইবা ষ্টদি দী করি অমত্ত তৌদনা মীগী ষ্টদি-দা তৌহনা লেল্লে।

ঐ ওহান ঈরাঈ মুমিংতী অদোমগী/থানবা লৈত্রবা মরুপ, কৃষ্ণ-পুরদা লৈবতু, করি? বঙ্গালিহুবু? মোনোরঞ্জন হায়বদাই? মহাক উনৈ। মরম হঙলকই অদোম্ন মনিপুরদা লেংখিবগী। অতুবু অকুপ্প মরোলশিঙহুদী তাকপীরম্নদবনা অহুম্মক খুমজখি'নখীং, সত মনিপুর ইজ অরার হোলী প্লেস।' হেনমনগ্রবরা ঐগীসিবু? 'হোলী প্লেস? অরার হোলী প্লেস মনিপুর।' ঐগী মতোন্দ নাপম্নজক্করে অস্থম্ন নোঙমা ক্যান্টিন্দ হায়বীখিবদাইনে "ঐখোয় কয়াদা/লাইবক খীপ্রবা।"

য়ারবদী মঙোল্লস্থ পাও থাবীখো। খোৗরাঙনা ভাইরমগনি। ঐ লোই-শঙ্করগে। মতুংদা শাঙনা ইজরকে। ঙসিদী — !

ছুটিক মুঙথিলগী পিকচর যেঙলুবা তারি।

নমস্তে—অপনার
প্রিয়ালাতা সিংহ
শিলচর—

খুদাংগী ঘড়ীহু, মোন মথাদগী লৌথোক্তুনা য়েঙই (মাগী রাথন্দী মতমহু, অতুম্মক হনখী নোক্নীংবা—, হরাওবা, মফাংনবা, মাবু কাওত্তমলক্তুনা, অতুগা, কয়া অমা) মুঙথীলগী পুং ৩ তারমগদোরে। পুং ৩ ॥• দা ঐগী প্রোগ্রাম লৈ হোটেল নটরাজদা।

২

"হা-হা হা হা হা-হা-হা।"

মীনোক অহু হেক তারকউে ঐহাক থমোঈদা অকীবা পোকখী। অন্থুক খাক্ল, তেমশীংনউে, ময়পাক্লনা, তমথীনা নোকলীবা মীনোক অসি কনাগী মীনোক্লা? মতুংগু ঐহাক মীকুপ থরদী খংলুদে।

অহীং? অয়ুক? নুমিদাঙ?

করম্বা মতমনো? ঐ করিস্থু খংখিদে।

মুপীমচাহুনা মীনোক অহু খাম্লহুনা হায়রকই। (ঐনা তায়, ওথোক্ল থোংলবী, কাওঙমত্রবী খোঞ্জেলহুদা)

"অহুম মীনোক্লবীগনু।"

"হা হা হা," হনবা লৈতে "হা হা হা, হা হা,"

(শীথ-শীথা নোক্লী)

"ফরে। নোকশীয়ু" থোংলবী, মপা-লৈতনা মেংলবী খোঞ্জেল অহু করিস্থু চাঙ হন্দনা হায়রকই শানৌহুনা (ঐনা মুপীমচা হায়রম্বদগী 'শানৌ' মিঙগৌনরে, মসিগী মরম লৈ। খোঞ্জেল অহু তারকইদে মহাকপু মুপীমচা হায়বতনা পেল্লক্তে থমোঈনা, মরমসিদগী শকওংবী মাবু ঐনা 'মুপীমচা' হু" হায়রম্বদগী "শানৌহু" হায়না মিঙগৌমখিবনী।)

"—অত্থবু খংবীয়ু—তোল্লবী ওইত্থুনস্থু, লৈভরি থম্মোঈ অমদী তোল্লবী ঐগীস্থু। ঙসী, থেংলবা তাঙলৌ অসিদা শীস্থজরি ঐগী মীৎলুগী পি, ওক্কবীনী খনবীয়ু ক'রিস্থ খঙ্গদে। ঐঙোন্দ,মত্থুগী তোঙজবা, অত্থুগী অমাংবা লৈত্রবীনী ঐদি।"

ঐনা তায। খংই। শানৌত্থ থমোঈ শোক্লে। শোক্লে।

"নংবু ওক্কবীনী হায়না হাযবদী হাযখিদে ঐ" সুপাত্থুনা করিস্থ থৌওই-নাওইদবা য়াঙাং-শঙাংদ' মখা তারকই "নোকপত্থনী, অত্থুগা সিমদী খংউ, য়ুম অসিদা নীং তম্ন নোকপ' ফাওবগীদী—ঐগীস্থু থৌনা লৈরমগনি। সিফাওবগী নীংতম্বগী থৌনা, ঐগী শক্লক, লৈ খনবদগী ঐনা অস্থুক পেম্ন নোকলুবনী। হুজীক, ঐগী অত্থুগুম্বা থৌনা, শক্লক, অত্থ য়ুম অসিদা লৈতে হায়ববা, মত্থুগী থুদম পীত্থুনা ঐবু যাহনলবা, করিস্থ কায়দে, ঐ নোকলোই, নোকপা তারবা, লৌবুক লমহ্লাংদা নোকলুগ'নী। ইত্তোমত্থ।"

"করিনা ঙাংবীরীবত্থ?"

"হুজিক নংগী নযমদা, ঐহাক কনা নত্রে, অত্থবু য়ুম অসিগদী থানবা যাদবা মথী লৈ ঐগা।"

"মত্থুম তাকপীগনু।" শা'নৌত্থ অহীক্লবম্বদগী তশেঙনা হীক্ল হীক্ল কপ্প—। থেংলবা অহীংহ্নদা কনানস্থ থাম্বীত্রে মাবু।

"কপস্থু। করিগীনো কপ্পীবা?"

ও। খামদী খায়েদনা, সুপাত্থুনা মোঙ-হাদনা মখা তারকই" য়াহৈ খরজিল্লা অত্থুক থমোঈ শোক্লব॥" মহাক্ল ঙকপগুম মথা তায়কই। "অত্থুনা অত্থুক পোৎলুম চাওবা থৌদোক কয়াবু'দ অত্থুক লায়না পাংখোকনী হোৎনরিবা! ঐ ঙকই —। লমচৎকা থমোঈগা ওম্ফোক্ল

লাপ্পে নংগী নফমদা, রাখনগা লিঙজেনগা অচৌবা খেল্লবা লৈ নংঙোন্দা।"

নো-নে', ঐ লাল্লে। মহাক্কীসিদী খাম্বী-থেম্বীবা নত্তে। শানৌ-সিদা হেল্লা মৈচাক হাপকৎপনী, হেল্লা থমোঙ্গ শোকহনবনী। ও! কনা অমত্তনসু খাম্বীত্রবা — ! কনানবু খামলুগনী? ঐসু তাবত্তা খঙজ্জনা লৈরিবসিনী। শানৌত্তনা কপ্প-কপ্প হঙজরুই—

"ঐনা—, কয়ম্বা ঈরাল লৈবা লমচৎ শাজৎ লৈখিত্তনা? মকম তাকপীয়ু?

খুমদে। মুপাত্তু পাওখুম পীবগী মতুং বাহংজ্জুগীদমক্তা থৌ ঈশা শাদনা, অশাংবা নিঙশা অমা হোন্দোকলুরগা, বাফৈনবকই।

"হম-ম, কদায় ঈশীং অরুম্বত্তু খরতং থক্তে"

তাকপীয়ু-ঐন'-?"

"ও হো, ঈশীং"

মুপানীদনা। শানৌত্তু চংশ্রনাল্লে-ঈশীং লৌবা।

হৌজিক্তী য়ুমত্তু কয়াদা চৌরুবা —। কয়িবু খোল্লগবা।

ঐ লেংদে। চোকথরবা হকচাংদু-। ঐগী চোকথরবা হকচাং থৌদোক বাথোক অমত্ত নীংশীংবা থোক্রুবা রাখন।

ঐ লোঙনা হীপ্পী।

কারগী খোঞ্জেন তারকই! খেংলবা অহীংসিদা।

খামখরে। খামখরে। অত্তুদগীদী—চেক্কী লৈমায়দা,—য়োং থাবা শউন-খোংউপ উপ্প। খোংনা থাওজ্জনা চৎপগী খোঞ্জেন্দু তারকই, কাক, কাক, কাক,। কয়াদা ময়েক শেঙগ্রবা। তশেঙবমক্তী খোংথাং অত্ত

মেলিটরি অচৌ অশাংশিঙগী খোংথাং ওইগদবনী, শোয়দনা ওইগ-দবনী। অদুবু রাযেল চৈরাকী লাইরীক্ত, করিগুম্বদা, খোংথাংগী মরমদা অথীংবা পীরমদবা অসিমক্ত ঐ মেলিটরি ওইরমগনী ওইরম-মোই হায়রুবা ঙমদে। কুপী অমনসু, শেন খন্না হেন্না ফঙবা মুমীত্ত মেলিটরীগুম ময়েক শেঙবা খোংথাং থাঙদুনা চৎপা য়াই। চৎপা য়াই।

কা অদু পুমলাং লাংখরে, মদুসু অওনবা শক্তমদা, ঙসাইঙৈগা পুমখেন খেন্নবা লোনচৎ, রঙাং শাঙাং, অদুগা থমোঈদা —।

"হে ইয়ু" শাওবা শাবা মাম্মী "হবাই? শো লেট।"

"য়াদে" চৌক্তিদুদা ফমথ্রমাম্লে লাক্লীবদু "থবক মফম অনীদনী ঐনা হাইরুরিবা—। ইমপ্রোবশিঙ অমত্ত পীনু হায়বা য়াওদে, থা শুবসু নত্রি 'লৈহৌদে লৈহৌদে।"

চুক্কপ শোয়দনা ওইবা তাই। ঙাংবা লেপথ্রে, মৈখেৎ খেৎলকই-।,

"লোইরেনে। লৈহৌদে, পীদ য়ারিব্রা-?"

"শাওনু। হুজীক চাক তাংলবনী।"

"তাংলেনে।"

"মদুফাওবগী থংলীদনা?" নোকই।

"ঙাইখো, সিনা ওক অনীদনা?"

"হোঈ। লৈহৌদ্রে লীক্লী অনীসিদনী

"হাউ!! মুত্তিগী তৌরিবা। সিদী ঈতোমতনসু ঙমখিবা য়াই। ঐ মিঙথোল অনি ফঙলবনী, নংঙোল্লগী, মেন ওফ রেজস, সুনিতা, ঐগী মুপীদগী. ব্রক্ষকর হাজবেন" নোকই "সুনিতানা তৎতনা হায়

মথারায় নুভঙাইরকপদা, ওইনরকৈদা, ঐভোন্দা য়েংঙলহনা, নোক্লহনা 'ইয়ু মাষ্ট ক্রঙ্কর হাঙবেন' হা হা হা-হা।"

"সুনিতা তানী। অহদী অমুক চৎলুবা তায়।"

"লৈহৌদ্রে হায়বদায় নংবু।"

"লৈহৌদ্রে অহবু অতোপ্পদা-চৎলুবা তায়দনা।"

"ঐ খীরক্কে। ঐ চৎলুগে। নং পোথাবম্মু। কদায় শোহ্।"

"চৎলু, অহ, খুৎলামথম অমতংদী ভৌমিন্নখিসি" কৌই "সুনী"

"মহাক ঈশিং লুম্মী"

"ঈশীং খীৎতং পুথোকহল্লকউ"লীক্লী হাঙদোকই ক্রোক ক্রা ক্রেক ক্রা অহদগীদি খোজেল অহ হৈথরকপগী চ্রোক চ্রোক লাওবনা অহুম শিনপ্রবনি। থকমিন্নরমালে। ঈশীং য়াওদ্রেদনা, হোঈ, মতম মতমগী মতুং ইন্না মীওইবনা চাবা থকপসু থৌওইনরক্কে। ঐ য়াই।

অহদগীদি কারহ থৌম্রে।

অমুক ঈচীক-চীক্লে। ঙহাক্তঙনী। লৈহৌরিবা অনৌবা লাকপা মুপাহনা কৌরকই।

"সুনী অমুক্ত থোবকউ।"

ঐদি খংহৌদ্রে। সুনিতাহ থৌরক্তনা লেপ্পরম্মালে।

"করিনো? কৈদৌরে? কৈদৌরবগে" কয়াদা ঈখৌ লাঙনা, খাঙঙম ভাইঙমদনা হঙলিবা "হায়ন্নু মরমহ তাকউ?"

"ঐ য়ুমসিদা লৈবা য়ারোইদৌরমালে।

"করি?"

"কুইরে, মহাক্ল মরী মখোং খংদবা, মলোম্নবা রাহৈ ভাক্তমক ভাংহনা ঐবু লক্লে, ঐবু করেম্নে, ঐবু শাওই। করিগুম্বদা ঐবু খান্নবা মন্নীং

মী.থয়েংনা রাহৈ য়াওদনা কল্লক পেম্না য়েঙলম্ব থেঙনৈ, ও ! মত্থু, মত্থুদা নত্তে, মহাক্ন ঐবু য়েঙলগা কয়াদা কল্লক পেম্ন পেম্ন লোকপ্রবা। অত্থুগা, মহাক্ন হায, হুজীক্তী ঐগী ঈফমদা মহাক কনা অমা নত্রে”

“করম্ন ?”

“তোক্নসি, নং য়ুমসিদা লাক্লগন্নু—।”

“করি সুনিতা— ?”

“ও—। নত্তে। নত্তে ঐ লাম্লে। লাকউ। তৎক্তনা লাকউ। ফম্লো। যেঙলো। নংগীদী মরম্নী।” মহাক অঙাওবীগুমই। “থানবা যাত্রবা মরুপ ! নত্রা—? ফরে, করি থোকঅবা, মত্থু ঙাইবা তাই। তৌবত্তদী, মাগী চোইরোলশিঙ অসিগী হৌরকফমদী, খংউ, নংনী।”

“চুম্মী - নং ঐবু কাওবা ঙমলমগনী, ঐ নীংদে।”

“নংবু কদম কাওগনী, অত্থুবু মহাক ঐগী ঈপুরোইবনী।”

“ঐ নংবু কদম কাওগনী ?”

“ঙমলম্লোই। অত্থুবু ঐহাক মাগী য়ুমগী মুপীনি।”

“—সিদনী-।” মুপাক্নুনা হায় “অসি নৎতবা কা হেনবা নং ঐগী লমচৎ, করিনো মাগী মফমদা—?”

“নং ঐগী হৌবিবা রারীত্থু মহাক্ন খংলবদী— ? মত্থুম্ব থনম্নু।”

“হৌগ্রবশিঙগীদমক— ?”

“হৌগ্রবশিঙননী মীওইববু ওৎলীবদী !”

“হৌগ্রবা বারী খরা লৈবদগী ঐহাক য়ুমসিদ্দা চংদবা তারি ? মরূপ থাদোক্নবা তারি ?”

“মত্থুনী—”

“য়াম্ন কৈ। ঐ চংলক্নবা ঙমগনী।”

ঙহ'ক তুমীন লৈনখরে।

"নত্তে। নত্তে, নত্তে" সুনিতানা ঈখং খংনা মখা তারকি "মহু নত্তে। হেন্না মিঙচৎ থী'নঙাই ওইবনী, নং য়ুমসিদা নোঙমত্ত লেপ্পনা লাক্কদবনী, অয়ুক মুমিদাঙ, অহীং; মহৌশাগুম লাকদবনী করিগী, নং য়ুমসিদগী থাপকনী—। মরম চাদে—। মাগী চিঙনব অমুক হেনখিগনী। নং য়ুমসিদগী থাপকমু। ঐবু, চংনা হাৎকমু।'

"করিম্ব কাযদে। মহুম্ব য়াই।"

"ও। ঐ রারে। নং শুক্লাক লাক্তবনা হেন্না ফৈ! যবে, মহুন ফরে।"

মুপাহু তুমীন লৈ।

"লাক্তবনা ফবা লৈ। থাপ্পনা হেন্না ফবা, লৈ।"

মুপাহু তুমীন লৈ।

"অহুগা,—হেক থাপখোকখিবদী মরম চারিত্রা—? হুরানবতনা মপুদগী থাপ্পখিবা নত্তরা? তাইবংনা য়ানগনী, থাপ্পবা, তোঙান তাবা, তিনশম্নদবা, মরম লৈগনী, মরমহুম্ব অফবা খক ওইরোই!"

মুপাহু তুমীন তারী। মখোন-মরা অমত্তা থোক্তে।

"নত্তে। নং লাক্তবা তৌগমু । লাকউ লেপ্পনা। য়ুমসিদা লাকউ। মুত্তিগী লাকউ। লমচৎ অহু করিম্ব হোঙবা তৌগমু।"

মুপাহু তুমীন লৈ।

অহুদগীদী সুনিতাম্ব খোঞ্জেন খোক্ক মীকপ্পরকই—।

কপকম থোকসে হুক্তীক্তী, থাপ্পবা, লাপ্পবা, খাইদোক্কবা, অহুগা তিম্নব', মাগী মকনদা খরনীং যগদৌবির'স করম্বনো? ঐম্ব খংদে।

ঐস্থু খংদে। অহুদী কপ্প তাই। মহাক কপ্লে। মসিনা ফৈ।

করিগীনো মীওইবা অনীনা অস্থুক থমোঈ শোক্লরবা মতমসিদা তাইবংপানবসিনা অস্থুক লাংনরিশ ? তৌত্রিগী খোঞ্জেন, মখন মখনগী খোঞ্জেন, সিটারগী খুখং, ক্লানেট, অস্থুক হারাও তায়াম্লীবসিনা— । তৌবদী খোঞ্জেনশিঙসিনা ঐবুদি ওহ্যোক্ল নিংঙমদবা পোকহল্লবনী।

কার খাম্বগী খোঞ্জেন্দু হেক তারকউে, ঐনা কয়াদা রাবীগ্রবা থমোঈদা, চিঙনরিউে' মপূবোইবসিনা মখোয়নীগী চুংশরবিউে শক্তমসি অমুক্ত উখিবা থোক্লবদী?' ফৈ। মসিকাওন্দী ফৈ (মুপীমচাসিনা কপ্প কপ্প চংখিবা অদুগা মুপাহুনা মতোমতা মৈখেৎ খেৎতুনা চুরুপ চমহুনা ফংহৌরিবা)

অহুদগীদী—

ঈমুং অহু ময়াই কাবা পোংশক্কী মখা পোনখরে। নোকপা', মরুপ অনীগী হরাও তায়াম্লবা রারী, অদুগা লীক্লীশিঙগী থেঙগাইনবা, মহী লাংবা পোংশক হৈথরকপগী খোঞ্জেন। লৌশনলুবগী থোইদোক্লা কাম্লফম থে কপা রাহৈ অমফাওবা মখোয়গী চীনশিঙহুদগী থোক্লরক্কে। মসিনা ফৈ। ঐস্থু, তাইবংপানবসি য়াম্ল লুহনবা পামদ্রে— । ঈরায়লাইনা, ঈচম মে. পংচা-চা পংথক-থক থমোঈগী লায়ন' য়াওদন' মতম লেনবা পামলে।

চোকথরবা ঐগী হকচাং !! চুম্মী-ঐ পুংচোক চোকথরে। করিস্থু লেঙনীংদ্রে। পোংশকশিঙগী মহাও, কাওবগুম তৌংরে। মসি ওইরবদী চোকথরবা হকচাং অসি খরমখৈদী পোংথাত্রিবরা— ? পোংথারে। করিনো? রোজ মমা মচ' অনীসিস্থু ঐগুমদবা— !

চোকথরবা-! করিস্তু হৈনিংদবা! করি তৌত্থনা মখোয়দী? চোক-থনীংঙাই করিবু লৈত্থনা? চোকথবদী করিগুম্ব অমদনী হেক চোকথবা য়াই। মরম লৈতবদী য়াব্রিত্রা? লৈরমগনী—মখোয়গীদী থমখো ঈশাগী মরমবু খংদ্রী। খংদ্রী। অদুবু ঐ চোকথরে। অমুক হেন্ন চোকথরে। (মপুরোইবত্থনা য়ু ঙাওনা ঙাওনা কল্লক তেমশিঙনবগুম ঙাংলকলিবসি)

"দাই—ভোর—স" মখা তাবা ঙমদবগুমই।

"দাইভোরস?"

"য়েস! দাই-ভোরস"

অদুদগীদী হরাওবা পুংফমশিংডু য়ুমত্থদগী হৌত্থনা চেনখ্রে। তংইবং পানবা পুস্বা থক থক নীকখী। য়ুমথংনবশিঙ খাংঙম্নহিত্রে। ঐ- !! ঐনী। ঐনী থমোঙ্গী পূবা য়াহিদবা, কয়াদা রাগ্রশা।

"কৈদৌরে তুমীন লৈরদী? স্থনিতাগা-রা?" মরুপ্তুনা হঙই।

"হাই—,নন্সেনস" অদুগা ওস্থোক্ল চম্ন, কয়াদা হৌনা হৌনা নোকখ্রবা মানা "নো নো! তমথীনা লাল্লে-! নং তমথীনা লাল্লে-। ঐস্তু লানখরে। মপুং ফাদবা রাহৈ পরেং ঐনা ঙাংলে। ঐনা হায়বদী মথোং হুক্কবা রাখম্ন মীওইবদা খুত্থম লাক্লহৈঙত্থব্লনী। এবস্যরদ, দি এবস্যরদ ইজ ইসসেনসিয়েল্লী—এ দাইভোরস।" হঙলকই "রাখনগা মীওইবগা খাইনবকহৈডু—" অদুগা স্থঙশিনা নোকলকই "হা-হা-হা! নত্তে—'স্থনি,স্থনি তা, কমোন।"

"হৈ." মরুপ্তুনা হায "অঙাং মচাদোনা-তুমীন লৈয়ু" অদুগা মখা তারকই "হোঙ্গী অদু কৈদৌরবা?"

"ঐ ঙসাইদগী হীদাক' সি থাক্লী অদুগা মতম অসিগী তাইবংপানব',

ঈশীং-মুণ্ডশীং, ঈশীওইরা, পুম্নমকপু্স্ন কয় খীগৎলী। অহুনা মপুং ফাদবা রাইহে্‌ছ ঐনা ভাংথোকখ্রিবনী।" মহাক, মু চিঙ্গনুবগুম ভৌথী অহুগা হায়রকই "নন্সেন্স, ইম্পোজিবল, অনসারট্যান, এবস্তরদ। দে থিঙ্ক লাইভ হেজ নো মিনিং, দে থিঙ্ক লাইফ হেজ এ মিনিং, দে থিঙ্ক-দে থিঙ্ক-এন্দ থিঙ্ক। অনসারট্যান।"

"ও হো, নো ইন্দিপেদেন্ট" মরুপতু লোন ফাইরে, অহুবু খোঙ্গেনগী মোঙ-হাদবহুদী করিস্নু কায়বা' ভৌথ্রি "নো ফ্রীদম, নং ফ্রীদম ওইদবে, নংগী নকমদা রাখন অহুগা চীনগী ইউনিভিহু মাংখরে—। হকচাং কয়াংকী এসেমব্লীহু মুংত্রে।"

"টারম ওফ পোলিটিক্স-ইন্দিপেদেন্ট, ঈউনিভি, এসেমব্লী, ঐ ভাবা পামদে—। থক পামদে, বাই পোলিটিক্স, মিক্স নখীং টু মী—।"

"এবস্তরদ, নন্সেন্স, লিটেরেচর, ড্রীম, ঐ ভানিংদে, ভক্তা-ভানিংদে, অভনবা মীগী থৌদো, মথোয়না চেং ভাংহনবনী, থবক শুদবা, শেন ভান্দবা, রাইহেগী ফজবা, ফজবা মং খোমজনমদা থবক শুদবা, মীৎ পাংদবা মীগী মথৌ। মাথোয়না কাওই রার্ক—"অহুগা খীথরকই।

"আই স্লেপ্ট, এন্দ ড্রিম দেট লাইভ বাজ বিউটি,
আই রেক, অন্দ ফাউন্দ দেট লাইফ বাজ দিউটি"

"হোয়" মহাক্ন রা ওইনা লৌদবগুম হান্নদগী য়াম্না হেন্ন তপথনা মথা ভারকই "হায়য়ু, অহুবু পুম্নমকসি নত্তে ঐনা ফোংদোক্লীংলুবদী। নোঙমা অমা মারগেরেটাম্না থোং নৌরবী হকচাংহুদা তেঙবানবগী করিঙ্গুম্ন উনা অমফাওবা পকহন্দনা লেম্নীংলকপগুম শেৎলম্ন-ইন্নবী

কী শিঙহু লৌথোক লৌথোক্ল-কোকর হাঙদোক্লুনা—, হুঙদোকলুঙৈ কাসকেটতু উরকঙৈ—হান্নখি ঈশৈ শককাও লেপতুন" খীথরকই

"হাও কমস দিস লভলি কাসকেট ইন মাই বোক্স?

আই রিল রিমেম্বর ফাষ্টেনীং দি লোক্স,

'ট ইজ ভেরি ষ্ট্রেঞ্জ। হুৱাট কেন দিয়ার বি ইনসাইদ? ঙসীদী ঐনা হায়নীংলক্লে—" অহুগা য়ু থকচল্লে, মথা তাৱকই।

"হাও কামস দিস সুইট ফ্লৱার ইন মাই হারট?

'ট ইজ ভেরি ষ্ট্রেঞ্জ। হুৱাট কেন দিয়ার বি ইনসাইদ ইটস পেটেলস" খীক্লরগা "পোইজন? হু? ওর-হোনী? সুঈট হোনী?" হুঙলকই "নং তারিব্রা—?"

মহাক্লা হুঙলকই—মরুপতুদা। অহুবু খুমল্লুদবনদী ওম্থোক্ল করে। খুমল্লুদবনা। খুম্ব তারে। করি খুমগনী? ঈমুং অসি কায়বা তারে। পাওখুমহুদা—ঈমুংসি কায়গনি।

"ঐ তারি, অহুবু ঐ কম খল্লী।"

"মহু হায়য়ু, খল্লীবহ হায়য়ু? পোইজন? ওর হোনী?"

"ইউ, এন, ও।"

ঐ নোক্লীংলক্লে। ঈতোমতা নোকই। অঙকপা ফঙলে ঐনা মাগী মরূপ অহুবু থমোঈদা থাগৎলিবা। নংত্রবদী করি খুমগদগে?

মহাক্ল শাওনা হায়রকই

"করি? ইউ এন ও?"

"ইউ এন ও"

"মহু মরম চাদে। হোনী—পোইজন—ইউ, এন ও। মরম চাদে। মরম চাদে।"

"মারগেরেটা, কোকর কাস্কেট, মাই হারট, ক্লবায়, পেটেলস, পোইজন, হোনী। মরম চাদে। মরম চাদে।"

"শোয়দনা চাগনী—ঐগীদী, থমোঈগী অশেংবা বানী।"

"ঐগীসু শোয়দনা মরম চাগনী। থমোঈগী অশেংবা বানী।"

"ওইবা য়ারোই— ।"

"নংগীসু ওইবা য়ারোই।"

"নং অমসুং ঐ, ঐখোয়নীগী মরক্ত অহোবা অমা লৈরে।"

"নং-ঐ, অন্দরস্তেন্দীং লৈনদ্রে।"

"করে— ।"

"য়ারব্রা?" হঙলকই "য়াকম খোকপনী। অহুননী ঐনা ইউ, এন, ও, অমা থম্ব পান্মীবা, ঐখোয়নী কমন প্লেটফোরম অমদা পুন্র লেপমীন্নবা— ।"

মহাক তুমীম লৈখরে— ।

(ওস্থোক্ল চয়)

"সুনি— । সুনি-তা—, সুনি— ।"

"করিগীনো? সুনিতা কৌরিবনা?"

"মহাক, ঐখোয়নীগী মরক্ত লৈহনগনী, অতুগা ঈবান্নীনা খেন্ন-রিবসি কদায়দনো—থীগৎকনী মানা। মতুংদা—ঈবান্নীগী ওইবা কমন প্লেটফোরম অহু শেমলগ্নগা মহাক ঈমুং অমুক চংজখিবা য়াই। নংন ভাংই—নংগী মরম্নাই ওইবা লিটেরেচরগী বা ঐনা ভাবা ভাদবা থীদে। অহু ওইরবদী ঐসু ভাংলী পোলিটিক্স নংনা ভাব ভান্নবা।"

অত্থদগীদী মহাক থম্নোঈ শেঙনা নোকলকই।
মরুপতুস্থ থম্নোঈ শেঙনা নোকলকই।
"হা-হা-হা" মহাক্ন নোক্ন নোক্ন হায় "ঐ লাল্লে।"
"হা-হা-হা" মরুপতুস্থ নোক্ন নোক্ন হায় "ঐস্থ লাল্লে।"

অত্থদগী কা অত্থ—হরাও মীনোক্তনা পুমলাং লাংলক্লে। মসিনা ফৈ, য়াম্ন হৈ-শিঙবা লৈবাক মচা তাবা মওংদা, চুঙশন্নবা ফৈ। ঐস্থ নোকই। অত্থগা, থঙনবা কাগী রোজ মমা মচাদী নোকপা তাদে। নোক্লরোই। মমুংগী রাত্থ—মখোয় খংলমগনী নীংদে। হৈক লোইবগা খীংলকই, পুংশিং নীপান চপ চানা। রেদিওত্থ থঙমুৎ-মুথৎখি। রোজ মর্মা মচাত্থ মখোয়গী মরোল্দ করি কবিনো থরা ভাংনরম্লগা তাঙথুলগী ঈশৈশিঙত্থ ফারগা অমুক্ত তাখরে।

ঐ ঙসাই কদাই চৎলুই? পুমকাও কাওখ্রব্রা ঐবু? হুজীক, মুমিদাঙগী পুং ৮ য়ৈখরে। য়ৈখরে। ঙসাই মুঙথিল। মুঙথিল মুঙথিল। ঙসাই মুঙথিল ঐ পাখি 'সহর থেকে ত্থর'। পাখী। 'সহর থেকে ত্থর'। লোইখিব্রবা? লোইখিব্রবনি। মেনেজর মাপ্পী। মেনেজরনা প্রিয়ালাতা-দগী লাকপা পাওত্থ থিল্লকখি। মা-ঐ করি ভাংনবি? করি ভাংনখি? মা অত্থম চৎখি—অত্থগা ঐনা লৈহৌই। লাইরিক পাবা লেপখি—ঐবু নিংশীংখিবদায়? হোটেল! হু হ হু-হ? য়েস, হোটোল'হুদনি। ও হো! ঙসাই ঐ মেনেজরগা, হোটেল অচৌবাত্থদা পার্টি য়াওবা চৎলুই।

হুজীক্ত নীংশীংলকই-ঐহাক অচৌবা পার্টিত্থ য়াওরুরে। ঐদী লৈবাক অসিদা অনৌবা মীশক্নী। লৈবাক অসিদদ নত্তে অসিগুম্বা হোটেল মচা অসিদত্থ, খঙনরিবা শিঙসিদস্থ; ঐগী মুতিগী চাক পুশলক্লিবা হোটেলসিগী ময়াং কংবা, কুচু মুবা, ঈবোয়াইবা কৌবা

অঙা সিগী মফমদসু, ঐ পুম্নো নোৌবা মীনী। মশম কোয়না ককপী, মমায় থোম্বক্লবী, য়াত্তোল লওবী, হকচাং কয়াৎ খুদীংমক ঈহম্নবী, মরুপ মপাং য়ায় পাক চাওনা লৈবী, ঐগী রোজ, (নত্তে নত্তে, রোজ তমক্লীং 'ঐগী' নত্তে,) রোজ অতুগা, মেজোর বরমা হন্নবগী মুপী হেদ মিষ্ট্রেস স্লক্লা বরমা মানবী, অনোক উপ্পী মমা হন্নবী, মখোয় পুম্নমক্কী মফমদা ঐহাক্তী পুম্নো নোৌবা মীশক্লী। অতুগা— লৈরমলিবা, থেঙনখিবা, ঐগী তুংদা লাকখিবা—, মখোয় খুদীংমক্তী ঐ শুকখংবু খংখিদ্রে। অনোবা অরিবগী রাফম নংখিদ্রে। চুম্মী, তৌবতদী মনিপুর হাউসকী প্রোপাইটর শান্তিকুমার অতুগা ঐগী হোটেলসিগী মেনেজর, মখোয় অনীতংদী ঐগা খংনরবা মীশক্লী। পার্টি অসিমক প্রোপাইটরসিগী লল্লোন ঈতীক্তী লম্বীদা চৎথরকপগী কুনগুবা চহী মপুং কারকউে হরাওহুনা তৌবা মরুপ মপাংগী পার্টিনী। ঐঙোন্দমু লাক্লবগী চেত্থু থুঙখী।

মহৈ মহৈ ফম্নে। ঐমু। মুপা-মুপী কাংবু ওইনা লাক্লবা য়াওই। মতোমতা —। অনী পুম্ন—। মতু শোন্ন—। ঐগুম্ন—। মী মখল গুই—। খঙনবশিঙ কৌনৈ। রাবী শানৈ। ঐহাক্লনী —। নাঈতোম তাবগী অরাবা ঐঙোন্দা ফাওখি। শোয়দবনি, কয়াদা থমোঈ চাকলমগনী—লৈত-লাইরবনা মীরক তিনবা ঙমত্রবা, মীরক তিনঙম্বগী রাথল অমম্নং থমোঈদী লৈবা মীশিঙগী থমোঈত্থু—।

ঐঙ্গী অরাবা খীত্তং কোকখিবা লৈ। (মতুম্ন ঈকায়বনা হেনগ্রবনী) প্রোপাইটরনা ঐবু লাক্লীবাশিঙদা শক তাকখিবত্থু, ঐগা নক্লনা ফম্নীম্লবশিঙগী মফমদা—।

অহানবদা—মকোয় চোম্বত্থদা তাকই ঐবু—

"দিস ইজ প্রোফেসর থানিল।"

আসি ঙাক্লনী।

অতুগা মখোয়শিংবুসু ঐঙোন্দ।

ঐগী মরুপমক নত্রবসু বারী-যাতাইনবা য়াবা মীশকশিংদী ফনমক য়াম্লে পার্টিহুদা।

য়েংং থঙবদা ডি, এস, পী, সুবোন সিংহ, মাগী মুপী (আঃ কয়াদা চুং-ফীরাম্নবীনো মহাক)। ওই থঙবদা, ওস্থোক্র চমপ্রবা স্কুলগী ওজা মনি, অতুগী থঙনবদা মিনারোয়, ওয়্যারলেস টেক্নীসিয়ান চরজী রোয়গী মুপী, মখোয় অনী, অতুগা থঙনখিবদা, খ্বাদগী বারী শাবা সুংঙাইবা, ত্রো-ত্রো লাওবা, ঐঙোন্দগী থরজং লৈশানবা, উকিল এ, সি, য়াইমা — (ওঃ! কয়াদা চমপ্রবা মহাক)

ঐ চংলুই। য়াওরুই। য়াম্ম ফৈ। পুন্সীগী থৌয়ামগী মমুংদা অচৌবা খুৎথেংন অমনী। য়াম্ম ফৈ। কয়াদা লৈবাকমচা তানপ্রবা, পীকপ্রবা লৈবাক, চীং, পাৎ, তুরেন, মথোং হুকত্রবা শেম্বী-শাবী-ত্রবা লম্বী, ভারত লৈহুনসু ঈরৈবাক মচাশিংনফাওবা মমীং তাবীত্রবা, থৌওইবীত্রবা, চিদাইগী মন্নাইবক থীরবা, লৈবাক অপীকপা।

ও-হো! ঐঙোন্দদী অঙকপনী। ওইথোক্কননী। মংনী। কৈ। ঐ য়াওরুই। চংলুই। খেঙনরুই। শারি!! বজালী চম্নুশিংনা হোৌদোকচসন্নু, কদৌনী, প্রোপাইটরগী মুপীনা শেংলকপন্থ কয়াদা পকচপ্রবা। জমদমসিদগী হৌদোকখিবা নত্তে কনানা হায়গনী? জেম কারুগী, চহী নীকু তানথংলক্রবী মৈতৈ মুপীহুগী, সুখমদা য়ৈবী অতুগা ক্রা-ক্রারবী শম, অঙকপগী অহোংবনী! মুপাশিং, বাজাং খুদীং চাম্মদা মরীকুতরা ইংলিশ, মখোয়শিংদা করিন্থু ওইদে—

মমারোল। অঙকপা চাওখৎপগী থুরবা থোংথাং—। ঐ থেঙনরুই, মখোয়গী ময়ক ভিন্নুই, য়াম্ন কৈ। ঐহাকন্সু মীৎ পাংখী, মঙাললিঙ ঙানখি। মঙাললিঙ, মীৎতা, থমোঈদা, হুকচাংদা, রাখন্দ, তুখোং শীনবদা, আঃ—ঐহাক মীৎ পাংখী—।

মখোয় ফম্নখি—ঈশৈ শকপী-শকপশিঙ ঐখোয়গা মায়ওক্নবদা মৈতৈ মুপীনা শকই। অমুবা মহীনা হাববা নাক-য়েংকী মীৎ অমু, ঐ থেঙনরুই, থরাম্মীচাক্কুগী শরুক লীশীং হেনখি—তথৎনখিবা। খোঞ্জেন—। খোঞ্জেনবু মহীরা? মহু ঐ খংই। অদুবু থুমই, থকপগী মহাওগুম তাখিবদা। (অদুবু ঐ কাওবদী নত্তে, কা মখোংদা তোঈনা লেপকনবী, গুহাদগী ঈশীং থৌরী চিঙখৎকনবী, ঐগী লাইরবী কেটুকীবুদী ঐ কাওদে।)

জানীগঞ্জদা ঐনা হেক হেক চৎখরে। কয়াদা তোঈনা চৎলক্লীবনো। হুজীক্ন, চীংলোনশিঙসি রাঙমা লাল্লক্লে ঐ। মহাক করম লেপ্পমগনী? সিবু খম্বনিংঙাই ওইরিব্রা? অদুবু, মীকুপশিঙদু ঐদী খনখি-মহাক কমদৌরমগনী? লাইয়ীক তৈতবীদু, ঈকায়থীবীদু, ঐবু লাইরীক হৈবনী হায়দুনা য়াম্ন কিজবীদু, ঈশীং চিঙ্খৎলম্বদগী ঐ হেক উবগা, ঈশীং থৌরী থাদোক্নুনা হিঙ্গোল মপু জানিগঞ্জ নিঙথৌখোয়দা হেক চেনশনগনবীদু, ওস্থোক্ন পাংথ্রবীদু।

মহাকপু উনবা ওস্থোক্ন রায়। অদুবু ঐনা শিলচর থাদোক্লমদাই মহাকপুদী অমুক্কং থেঙন-উননীংলুবদগী বিবিগ্রাম এন, জি, হায় স্কুলদা তম্বা মুপামচা—মখোয়গা য়ুমথংনবহুদা পাও চেন্দুনা অয়োয়বা উনখি।

কয়াদা ময়েক শেঙপ্রবা, অহীংহু। কনাসু য়াওখিব্রবা! মা ঐতা।

মাসু লেপই—। কীথক চিঙখৎলকই। মমায়দা মচেৎ-মচেৎনবা থাবলগী মশেক্ক যৈ। ঐনা উখি—মখুৎনা কাপ্পলাক, লেঙজুম অনীদা চেৎশনখিবা।

"নং তারব্রা—?" ঐনা হঙখি। খোঞ্জেনহুদী মুপা নংখিদবগুমখী।

"তারে! কৈদৌঙৈনো লেংগদবা?"

"চৎকদবা, চৎকদবা" ঐনা লক্লে "লেংগদবা হায়বদি করিনো?"

মহাক নোকই।

ঐসু নোকই।

"চৎলনী হঙচীং।" হঙই "করি নৈরকউগে?"

"থংদে। পুবীরকত্রবসু য়াই—"

"অমত্ত পামদবা?" ঐনা লক্কবী "নখোয় লৈকায়সিবু অসোমগী কীয়োনবা ময়ামগী পোৎয়োনফম্মী হায়নৈদা। মুপা-মুপী, হমু-হনা, মৈতৈ-ফী য়াম্মা পাম্মে হায়না তাই ঐদী।"

"অহুবুদি ভীলা—ওম্মকী।"

"অহুনবু অপাম্ব অমতং, হায়বনী—। হায়য়ু? ফনেক,—?"

ঐনা লোইস্ত্রিঙৈ নহাক্ক লুকথরহুনা নোকই।

"করিনো নোক্লীবা—?"

"তৌহৈদে। অহুবু হায়হৈব্রা?"

কয়াদা চমথ্রবা? 'ফনেক'! অহনবদদী করিসু কায়দে থক্লমই ঐদী। ঐসু নোক্লে।

অহুদগীদী মা—ঐ থাবলহুদা—(খোঞ্জেন্দী অহুক হৌনখিদে) নোকমীম্নখিবহু।

"ফরে" ঐনা হায়রমই মাঙোন্দ "ঐ হেক্ক লৈয়ক্কনী ?"

"করি ?"

"ঐনা থোকপমখে।"

তুমীন লৈখরে। ঐসু। কয়াদা থমোঙ্গী পেনশ্রবা অহাঁংহু। চুম্মী। পার্টিহু পুমলাং লাংনরকপগুম তোখী।

(মসি ঈম্ফালনি ! মান্নি মফম অসি……অহুগুম্ব ঈম্ফালহুনি। মফমহুদা …, ঐ পার্টি য়াওরিবনি। মান্নি, থমোঙ্গনা' ঐহাক্কী থমোঙ্গনা অহুকী মতীক পেঞ্জখীবা, মুঙশি-চান্ন য়ান্নখিঙৈ মমল 'সিনি' হায়ঙমখিদবী অহুগুম্ব থাবল, থমোঙ্গনা কাওঙমখিদবী অহুগুম্বী মায়থোং, অহুগা, রারি শীংবুল কয়া কয়া, অমুক, মথোয় খুদাংগী ঈতুংনফম ওইবা অহুগুম্বা মফম, মখোয় অমত্ত নত্তরে।) মুপা অহু ঈনৌ নৌনা চাওরবা পার্টি অহুদা থুঙলবত মঙায়রম্মী। (……হৌদি হৌরমব্রিদনা পার্টি অসি ? লাঙ্গবক ফৈ ! পার্টি হৌরমব্রি ! হৌরম্ব থোক্লবা, কমদৌনি ? চোপলমগনি। পার্টি হৌরম্নবদি চোপ্লমগনি।) উকিলনা মহাকপু হরাও-ভয়াম্না ওক্লম্মী, অহুগা মহাক হেক থঙননা পুন্ন ফম্মীন্নখি ॥

প্রোপাইটরনা শক্তাক্লব্রিঙৈদা উকিলনা হান্ননা ঐগী লেঙবান্দা খুংনা খিন্নকই। ঐনা লৈথোক্কনা "—স্যার !"

অহুদগী মহাক্ক শকথংনহল্লি, অনৌবা লাক্লিবহুগা, ইদিটর শ্যাম, অমুকী, মরম্নাই চেফোং "ক্রীদম"গী ইদিটর।)

— —

শকথিবা ঈশৈশিঙ'হুদগী ঐনা, খনখি-খনখিঙৈ ঈরাখল পুম্বা খুগায়হুনা, থমোঙ্গ য়াওনা তাশীনখিবা হায়ববু, মুপা,মকোক তাংবা

অহুনা তপ্পা-তপ্পা শকখিবা অহুতনি। (অতৈদি ঐহাক তানীংবা পোকখিদে, অহুক তানীংনা তাখিবা ঈশৈ অহুম্‌মু হুজিক্কী কাওখ্রে। ইশনহৌদবা, নোট তৌশনহৌদবা হায়বসিনা কান্নবব্‌ কয়াদা লায়না, তমখিবা মওংদা য়েখায়-থুগায়হুনা মাংহনপ্রবা। অহুবু, অহুক য়ামগ্রবা লৈবাক মচা, মীয়াম মপেগী মরক্তুদা ঐনা নোট বুক ফাক্তোকুনা স্টেনোগুম ঈশৈ অহুবু ইশহুবদি য়ারিব্রদো ?) অহুতনি।

……… মহুমদি লোয়শনখরে, ঈশৈ শকপগী থৌরমহুমদি লোয়শনখরে। ঈশৈ শকপা শকপীশিঙ অনেকপা কাংবুগুম হেক লোয়বগা চংনখিবা তৌদে। মহৈ মহৈ খংন-চান্নবশিঙগী মনাক্তা চংশন্নহুনা ফম্লখি। (—তশেঙবমক্তি খংজ্রি অহুবু মখোয় অহু শেন পীহুনা নেকপদি মান্দে)।

(ও! মহুনা পুম্নৌ নৌরনি! —মহু—, মহুদি পুম্নৌ নৌগ্রবনি ঐহাকী ঈফমদা) পুশল্লি,………ঐখোয়বু চিঙশন্দুনা, লম্বী চিঙহুনা, …কনানা ওইগনি হোটেলগী থবক তৌবা মীশকশিঙনা, অত্তোপ্পা, পুমত্তোপ তোপ্পা, (হান্নবা নীংথীনা শেম-শাহুনা থম্লবা) অচৌবা কাতুপ অমদা, হোটেলগী থবক তৌবশিঙনা ঐখোয়বু লম্বী চিঙহুনা পুশল্লী। (পুশনখরে— ! মসিরা—? ঐগী ঈফমদা পুম্নৌ নৌখিবহু মসিরা? ‥নত্তে। অমা লৈখি। অমা লৈখিবনি। মসি নত্তে ঐত্তোন্দ পুম্নৌ-নৌখিবহুদি) ‥ চানা-থক্লবা মখল-মথেলনা মফম'হুদা লৈরম্মী। ওম্লমক রেশম শন্দোক্লবা সোফাশিঙদা ফম্লখনৈ। ঐগা থওনৈ, ইদিটর, মেনেজর (ঐগী মেনেজর, ঐগী মেনেজর হায়বদি ঐনা লৈরিবা হোটেলগী মেনেজর) অহুগা মিনা রোয় (মিনা রোয়গী শারিগী

মুঙশিবা মনম !! নত্তে, নত্তে ! মহাক হেক থেঙনবদা মপুরোইবা চরজি রোয়স্থ অহুম্মক ফমলী) !

চা-থকপা হৌত্রিবৈঙে মাংওইননা মুপা অহুগা মুপী পুম্নমক্কী মাং-মাংদা অঙাংবা, অহুগা স্না-মচু মানবা মহীনা লৈতেঙলবা অরংবা লীক্লীগী গ্লাসশিঙনা অথেনপোৎ শক্ত থম্নরে হোটেলগী থবক তৌবশিঙনা। মচু-মচুগী মহীনা লৈতেঙলবা গ্লাস, পুম্নমক্কী মাং,মাংদা থম্মে, ওম্নমক (মুপাস্থ মুপীস্থ) থক্লে. কনাগুম্বশিঙনা চাঙ পীক্লখি, চাঙ চাওনখি-লেপ্নখি, হম্না হম্না থকচন্নখি (পুম্মৌ নৌখিবহুনি. পম্মৌ নৌবা ওইনা থোকখিবহুনি ঐঙোন্দ) !

থোংথাং- ! কাথৎলক্লিবা থোংথাং—আসরা ? মহাক শোয়দনা ওইগনি'। (করিগীনো অমুক তেনগ্রবা মতম অসিদা, মুমীৎ থরনীদঙগী ওইবা মতমগী খুৎথেংনসিদা মহাক ঐহাক অমুক চেংশন-চানশন, লোন্দিন-রাতিম্নরক্লিবা অসিদি ? অমুক কুইবা মতম কয়া মহাক ঐতবু ঙাইরম্লব্রা নোক্লিংবা রানী ! কদায়দগী ! অহবু করিগুম্বা মতমদা অসিগুম্বা মতৌগী খুৎথেংনা ময়াওরকপা থেঙনথরে পুন্সিদা। চান্নক্লবা হায়বহুনি। মপোক তিম্নক্লবনি। নত্রবদবু……প্রিয়ালতানা অহানবা ঐখোয়গী কলেজদা লেকচরর ওইনা চংলকপদদা, ঐনা, করিগীনো অহুক মুঙশিক্লরিবহু ? অহুগা, চপ মান্নবা লমচৎ অহুদা মহাক্লস্থ…অহুদগীদি মুপীমচা ওইবী মাগী মুপী মরুপ, মুপা ওইবা ঐগী মরুপ ওম্নমক থাপ্নরহুনা মা-ঐ ওস্থোক্ল নকশন-চানশন্নগ্রবা ওইখিবহু !) অঙাওবনি মাদি। চমগ্রবা

মহাক থোং হাঙদোক্লগা চঙলকই।
"হৌগ্নীরিব্রা ?"

"হকচাং অসি" ঐনা হৌগৎতুনা ফমথক্ত ফম্ম ফম্ম খুমই "ওম্থোক্লা চোকথরে। লেংশল্লকউ। ফমুংসিদা হেক্ত ফমসিদো?"

"..হা...হা . হা..." থরাই তানা নোক্লুরগা, অমুক নোন্ন নোক্ল, মহাক্ল মখা শমথরমকই "চোকথবীরম্লগনি।"

"য়াম্না চোকথরে—'

"হান্নবু মতুম্ন হেক হেক লৌবিবরা?"

"করি!!—" ঐনা ওক্লা হওই "করি লৌপ্রবগে ঐবু? ঐন করি লৌপ্রবা?"

"ঐনা লৌবমখৈ লৌবীখিবতুবু...।"

"ঐনা...? (......ঐ নীংশংলক্লে।) ও!!—ঐবু......কয়াম য়াম্না লৌপ্রবগে?"

"এঃ হনবা লৈখিব্রে...(কয়াদা হরাও তয়ামপ্রবনো পাওদম'তুদ মাগী মায়থোংতু) হনবা লৈখিব্রে, প্রোফেসার— ঐনা হেব লৌব্রিমখৈ......"

"ঐহাকস্থ...?"

"অহোঈ—!"

"অতুদগীদি—?"

"ঐ শংক্লৈ—,প্রোফেসার—হেক্লে—,য়াব্রে।"

(.. চিঙনবা পোকখি, মীমাংদা ভাওপ্রবরা হায়না চিঙনব পোকখি)

"ঐনা পার্টি অতুদা কমদৌখিবা?"

"থোইদোকপা···করিস্নু তৌথিবদি লৈখিদে। য়াম্না ফজনা কস্ত্রোল তৌবিখি। অতুবু ঐদী খংলৈ প্রোফেসারগী ফীবম পুম্নমক্কু।"

"থোবকপদি····· মেনেজর ?"

(চিঙনরে ! ত্শেংনা চিঙনবক্লে)

"থোরকপদদি ঐনা শমজরকই।"

"অতুদগীদি ?" (ঐ করিস্নু নীংশীংবা থোকত্রবনী)

"অতুদগীদি ? ইদিটর শ্যামগী জীপতা।"

"ও !!" (ঐ ঈকায়খি, ঈকাযখি, ঈকায়খি ! ঈকায়খি)

"হুজিক শ্যাম লাক্লনি প্রোফেসার।"

"হুজিক— ?"

"হোয়— ।"

"মেনেজর ঐদী, পুন্সীগী অহানবনী অতুনা,·· ওস্থোক্লা ঈকায়জরে— ।"

"অতুগা ওস্থোক্ত ফজনা কস্ত্রোল ওস্মীরিব ? —থাজদে।"

"কিজবদগী···। (ও ! লৈ। ঐনা খঙনীংবা অম লৈ মদো,) অঃ মুপীশিং'হুদি ?"

"মথোয়স্নুনি · ওম্নমক।"

ঐগী থমোঈ ! ঐগী থমোঈ ! পুবা ওমদে। মুপীশিং অতুস্নু ·· ? ও !! ওম্নমক ! ·· অরাংপা লৈত্রবা পুন্সি, পুন্সি করাগী মপু হৈদোক-পাথোক্লবা—হী-য়াই মপৈগী, মশেক-মঙান্দগীস্নু শরুক লীশীং হেন্না ঙাল্লবা, অবাংপা মশক শংত্রবা মথোয়নস্নু পুন্সিবু

রাহং হুণ্ডতুনা অমুক শামরবা? থোং-নৌরবা, পুল্লিবু লেপ্তুনা পাও খুম খুমহন্দুনা, ঙমত্রগন', রাহন্দুনা লেম্বোক্লবা! য়ু থক্লবা! মৈত্রবাক!! মুপীশিঙ! মতুম্ন স্না লৈবাক, পারী-পুরী-ঈরমদম, মৈত্রবাকী মুপীশিঙ-! য়ু থক্লবা, ('ফনেক খোইদোম শেং, কুমলঙ মাদা চিন, নীংশীংলকইবনি, নোঙমা, নহান নোঙমা অমা, পেনা ভাবা পুবী মেনেজরনা)…শকহেনবী মখোয় য়ু থক্লবা!! য়ু থক্লবা!…… ..

…"হায়নৈকো…,মনিপুরগী, মৈতৈ ঈবেমশিঙসি ওস্থোক্ল ফজপ্রে"।—প্রীয়ালাতা

"অরার হোলী প্লেস মনিপুর, হেনমনগ্রবরা ঐগীসিবু? হোলী প্লেস! অরার হোলী প্লেস মনিপুর-।"—প্রীয়ালাতা।

"কৈদৌরগে…? গেট অপ" মেনেজরনা হায়রকই 'ফি শেং-চলসি! ইদিটর লাক্লনি, অতুগা— "

"করি?" ঐনা হঙই "করি তৌথিগনি?"

"রাহং খরা, পাওখুম খরা ..।" মখা তারকই "রাহং খরা হঙলনি ইদিটরনা, অতুগা প্রোফেসারনা মতীক চাবা পাওখুম খরা খুম্বীবা……"রা শমজল্লকই… "ঐ অঙাংদা চা থারক্লগে, ফি শেংচিনবীরো।"

করিমু খুমহৌদে! খুমহৌদে, মহাক থোকখী।

মুপীশিঙ য়ু থক্লবা—? (ঈতোমতা লৈহৌরবা—হুজির—। ঈতোমতা—) ও!!

"হোলী প্লেস! অরার হোলী প্লেস মনিপুর"!

—প্রীয়ালাতা

অনৌশুবা শরুক

ঈম্ফাল অমসুং মাগী ঈশীং-নুঙশীংকী ফীভম

৩

রোজ মমা-মচা··· ···· ঙহানমখৈ নত্তবা মওংদা মথুম-মরাং হৌরম্মী। ঈরাং লাংনৈ মখোয়গী মরোলদা। ঐ মখোয়গী মরোল খংদে। খংদে! মতুবু মখোয় করিগুম্বা মফম অমদা চৎকনী হায়বা ফাওবদি ঐহাক, মখোয়গী মওং মতৌদগী খংলে।, মমা-মচামক? মতুমক্তী ঐ খংদে।

মুমিদাঙরাইমকস্থু নম্রিবৈঙে ওলাং থাগী মুঙওল্লকতৈঙে মতমতুদা, মতম তুদা ঐহাক্ল ঐগী কাগী থোং ময়াদা (মপান্দ) চৌকি থাতুনা মায়কৈ থুদিংগী শক্তম মৈত্রবাক্তী নীংথীবা শক্তম য়েঙতুনা, ঙহাক ফমতুনা লৈ। লৈরিবৈঙে—ঈমা লৈবাক্তী ঈরাৎচনীংঙাই শক্তম ওইরবা নীংথীবা লমদমগী শক্তম য়েঙলিবৈঙে, রোজনা ঐগী মাং, ঈমাংদা হাথু হাথু, (লৈশাবী, ঈনোৎ-ঈকানজরকতৈঙে হৌনশা—ঈহল্লবী হক্চাং কয়াৎ, হেদোঈল্লজরকতৈঙে, হেগা-মীতমজরকতৈঙে মশাজৎ, ঙম্মক লোই-শন খোমজরতুনা—,) রোজনা অনী অহমলক, য়াম ঈকায়-হজোইজনা চৎখরে।

ঐনা ঊই মীৎয়েংনা, ঐগী মীৎয়েংনা ঊই, অকোয়বদা, ঙায়োইরিবা, হী-মাইবনা পরীং শন্দোক্লিবা মুরৈনবা, অশংবা, শঙ-বাল্লবা অতুপা বাওথাঙনবা, মচু মখলগী চীংশাং পরেঙশিঙহু—। (কয়াক চীক্লা পাওদম্লরিবা, মওং মতৌশিঙহুবুনি, মখোয়শিঙনা) তাম্না—ওয়োক্ল তাম্ল, তাক্ল-তাক্লনা পাইরিবা অমুবা উচেকশিঙ— (মখোয়গী মচু, মখল-মখলগী ওইরম য়াই অচুবু থাম্লবলিদ্রদি ঐগী

মীৎয়েংদা ঙম্নমক অমুবগী শক্তমদা অতুম্নক মুনা উরে, মতুমক ঐনা হায়রে।) করম্বা লমদমদা, কদায়দা, পীক্লবী উচেকশিঙ অসিগী (কোল-কারখানাগী তম্নথীবা হামুক মৈখুগী মনম য়ৈদবা, চরাম-চাদৎননা শিত্রবা, পোৎলোয়বীত্রবা লমজাশিঙগী অপৎ-অপুম, হকচাং কয়াৎশিঙগী মনম তাদবা, কল্লকচবা) মতুমশিঙতু শানরীবা? কৈথেল অসিগী রাঙমদা শন্দোক্লিবা অহাংবা লৈত্রবা, অশেংবা মৈত্তে মচা-শিঙগী লৈকায়শিঙ, অপীকপা লম্বীশিঙ, অতুগা অতুগুম্বা লম্বীশিঙতুদা (মৈত্রবাকী, তুঙগী রাখন, মৈত্রবাকী, তুঙগী অচেৎপা য়ুম্বী,) অপীকপা অঙাংশিঙনা চেন-চোঙতুনা শানরিবা, অঙাংবা অশংবা (কয়া করা ওইরমগনি) মচু মখনগী ফি শেত্তুনা চৎনরিবা মুপা অমসুং মুপীশিঙ, অরাংবা কৈথেল মযাযগী চেকী, মথোল লোংবা য়ুমথকসিদগী ঐনা শিলচরগী শান্নপোৎ য়োনফম ফম্বা অমর বেনরজীগী লৈকুল চারবা শান্নপোৎ মচা-মচা মপৈতুগুম উরে

অঃ কযাদা হকচীক লাঙখরবা! লৈবাক অসি কয়াদা ত্তপচ-ত্রবা, কয়াদা ঈংখরবা, ঐনা কয়াদা খোয়দাজরুখরবা! মফম অসিগী ঈশীং-খুণ্ডশীংকী ফীভম, কয়াদা মমল য়ামগ্রবা! কোনা মনাগী খুমাই—, কয়িম্ভু মথৌ লৈহন্দরে।

রোজতু কাপ মখায়মুক লেপকী অরাংবা হেনগংহনবি খোংউপ তোঙলতুনা, চীনবান্দু কোম্পানিগী মচুনা শংলতুনা, (মাদী মহৌশানতু ভঙাওজবীনী) অচৌবা খুদাংগী বেগ য়াল্লতুনা, ঐনী মাংদা কপ, কপ খোরকই। ঐনা য়েঙই। মানা য়েঙই। ঐনা নোকই। মাদা নেকিই (খৌজং)।

"রোজ—"ঐনা কৌই "কদায়দা ?"

"অসুম—চৎকে"। থোকখি।

মমা হন্থবীহুনা অনোক নাল্ল-নাল্লহুনা য়েঙহুনা লৈহৌই। (ঐগী থঙনবা কাহুপ অমা লৈরিবসি ঐনা লাক্তরিঙৈদা কনা লৈরম্মী ? খংদে। মেনেজরদি খংলমগনি। মফম অসিদা থুঙলবা মফম অসিদগী চৎখিবা, মখোয় খুদিংমক মহাক্কা য়েঙশনল্লিবনি। মুকশোয়-শোয়দনা মহাক্কী খংলমগনি) করিনো অহাংবা কা অসিগী মরমদা ঐনা খংলুরগা ভোগদবহ্? অসুম, রাখল্ল অসুম খনলক্লিবা হায়বহুনি। তৌবদী, অহাংবা কাহুপ অমগা নক্লবা মরী অমগী মখা পোন্দুনা লৈমিন্নবা হায়বসিমক হঙোইবা, হৈনদবা, ওই-ওইনবা অমদি পোকই ঐঙোন্দা। অহুবু ঐনা মফম'সিদা থুঙলল্লিঙৈ, রোজ মমা'মচাদি অহুম্মক লৈরম্নবনি।

ঐ খংগ্রবনি…। হৈ য়োনফম, ঙা য়োনফম, কুমগী অনৌ-অভেক্লবা মনা-মশীং য়োনফম……অসি পুম্নমক্তগী—, য়েঙবদদা খংগ্রবনি ঐনা—'মৈতৈ মুপীশিঙ—কয়াদা নোম্বা কনগ্রবা ! কয়াদা ঈচং থৌগ্রবা ! ('পুল্লি অসি থবক্লি' হায়না মশক ভাকপা ভারবদি মালেমথক পুল্লিনরিবা মীওইবা খুদিংমক্ল অসিগুম লৈবাক অপীশক অসিদা লাক্লুনা মৈতৈ মুপীশিঙগী পুল্লি অসিবু লৌশন-য়েঙশনফম থোক্লবনি) মখোয়গী… ‥, অচম্বা ফনেক, অচম্বা ইন্নফি। পুল্লিবু পনঙাক্লজে, ছিঙবগী চৈথেংগা অকন-লাম্বেংনজঙৈ অকে-অনৌ পুম্বা তুঙওই-নাওইরবী ভাক্লনি মখোয়দি।'

মেনেজর, থৌয়াম-বায়াম চেন্না হাথু-হাথু কাখৎলকই।

(শোয়দবনি—। · · · ঐ য়াম্রে, মহাক্না হায়রমগনি, অদুগা······) হায়রৈ—

"য়াম্রে-প্রোফেসার—" (রাহৈ অতুম্মক)

ঈমুং চংখি।···মপুক্তগী অচেপ্পা য়ুগী লিক্লীদু মখুম হাওদোক্লগা ······খোঝোম থম্না য়ুত্থু চিঙশল্লগা, অমুক, মখুম খুমজল্লগা (হায়গুম্ মপুক্তা য়েপলমগনি) থোকখ্রে

"ওসিদী পীকচর য়েংলুসি প্রোফেসার—।"

"ফনি— ।"

প্রোসেসনলা ? লমজাওদা মী চবুন-চবুন চীক্লা চাযনা ওম্রদনা চৎনরিবত্থু উরকই। প্রোসেসন ? করিগী প্রোসেসন্নো ? মতম অসি চারিত্রা ? (ঐনা হেক খুঙলইেদগী ওসিফাওবসিদদি লৈবাক অসিদা লৈঙাক্লোলগী ওইবা রাথোক-লাম্হোক অমত্তা লোকখিবা লৈত্রি)

